

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) গী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দকীদমক্তা খনগৎখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী কেপ্টেন ওইরম্বী দিয়ানা এদুলজি*

*জর্মনিদা পাঙথোকপা পোর্সে টেন্নিস গ্রান্দ প্রিগী নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী য়ুএসএগী শান্নরোই কোকো ভান্দিৱেগি*

## বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমসুং ঐচ এস প্রনোই মায়থিহৌরে

*বুহান, এপ্রিল ২৮ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চথরিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমসুং ঐচ এস প্রনোয় সেমিফাইনেলদা মায়থিহৌরে।



*এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী প্রনোই অমসুং নাইনা নেহৱাল*

গোল্ড কোষ্ট কমনৱেল্‌ঠ গেমসতা নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা ঙসি মহাক্কী সেমিফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই টাই জু য়িংগা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং গেম অনীদা মায়থিবা নংখি।

অহানবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মশান্না তিনখিবা ভাবোকশিংনা মখোয়–মখোয়না মমাঙদা য়েংখিবা নুপীগী বেদমিন্টমন মেটচশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী নুঙাইবা মেটচ অমা ওইরমগনি।

মশানা অসিগী ওইনা শান্নরোই অমনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানবা তান্নবা অদুদা মখোয় অনীম্মক পোইন্ট ২১–২১দগী মান্নদুনা লাকখিবা অদুনা পোইন্ট ২৫–২৫দা লৈনখি। অদুবু চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই টাই জু য়িংনা মখাতাবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু ২৭–২৫দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা গেম অদু মাংজিল থাদুনা চৎখি।

সেমিফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদা মখাতানা শান্নরোই অনীগী লম্বা হন্নবা লৈখিদে। পোইন্ট মুন্নদুনা লাকখিবা অদু মখা তারকপদা পোইন্ট ১৯–১৯দা লাকখি। অদুবু চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই টাই জু য়িংনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিবদগী ২১–১৯দা থোইদুনা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টাই জু য়িংনা ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হিয়ুনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১২, ২১–১৩দা মায়থিবা পীরম্বী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী সেন য়ুফৈগা ফাইনেল শান্নরগনি।

নুপাগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোয়না ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই চেন লোংগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ১৬–২১, ১৮–২১দা মায়থিবী নংদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

বেদুমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী ফাইনেলদা চাইনাগী চেন লোংনা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থপু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবা মলেসিয়াগী শান্নরোই লি চোং ৱৈবু ২১–১৯, ২১–১৪দা মায়থিবা পীরম্বা জ পানগী নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা কেন্তো মোমোতানি।

## দিল্লি দেয়রদেভিলসনা কোলকতা নাইথ রাইদর্সপু আইপিএলগী ২৬শুবা মেটচতা রন ৫৫ দা মায়থিবা পীখ্রে

দিল্লি, এপ্রিল ২৮ ঃ

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা দিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা দিল্লি দেয়রদেভিলসনা মফম অদুগী ষ্টেদিয়ম ফিরোজ সাহা কোটলাদা শান্নখিবা ২৬শুবা মেটচতা কোলকতা নাইথ রাইদর্সপু রন ৫৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।




দিল্লি দেয়রদেভিলস অমসুং কোলকতা নাইথ রাইদর্সনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস কোলকতা নাইথ রাইদর্সনা ঙমদুনা হান্না বোলিং তৌখি। মদুদা দিল্লি দেয়র দেভিলসনা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট ৪ খক তুরগা রন ২১৯ লৌবা ঙমখি।

দিল্লি দেয়রদেভিলসকী মায়কৈদগী পৃথিব সো অমসুং কোলিন মুনরোনা ওপনর ওইদুনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৫৯ হাপচিনবা ঙমখি। ওভর ৬ গী অরোইবা বোলদা ওপনর কোলিন মুনরো মশাগী রন ৩৩ লৌদুনা লৈরিঙৈদা কোলকতাগী বোলর সিভম মাভিনা আওট তাহন্দুনা দিল্লি দেয়রদেভিলসকী অহানবা ৱিকেট তুখি। মহাক্কা বোল ১৮ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরমখি।

নৌনা থোরকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন শ্রিয়েস আয়রনা ওপনর ওইরিবা পৃথিব সোগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ শেমদুনা দিল্লিগী স্কোর অদু ১২৭ য়ৌহল্লকখি। ওপনর পৃথিবী সো বোল ৪৪ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরম্লগা রন ৬২ লৌরম্লবা মতুং আওট ওইখি।

নৌনা থোকলকখিবা রিসব পন্ট কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী বোলর এন্দ্রি রুসেলগী অহানবা বোল মায়োক্লবদা দিনেস কার্থিকনা কেটচ তৌখিবদগী আওট ওইদুনা দিলি্ দেয়র দেভিলসকী অপুনবা রন ১২৯ দা অহুমশুবা ৱিকেট তুখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইদুনা থোরকখিবা দিল্লি দেয়রদেভিলসকী কেপ্টেনসু ওইরিবা শ্রিয়েস আয়রনা নৌনা ক্রিজদা থোরকখিবা গ্লেন মেক্সৱেলগা শান্নমিন্নদুনা টিম অদুগী স্কোর অদু ২০২ য়ৌহল্লকখি।

নৌনা থোরকখিবা গ্লেন মেক্সৱেল বোল ১৮ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১ য়ৈরম্লগা রন ২৭ লৌদুনা লৈরিঙৈদা রন আওট ওইদুনা দিল্লি দেয়রদেভিলসকী মরিশুবা ৱিকেট তুখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা শ্রিয়েস আয়রনা মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপগা লোয়ননা বোল ৪০ মায়োক্লবদা সিক্স ১০ গা লোয়ননা ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৯৩ লৌরমখি। দিল্লি দেয়রদেভিলসকী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৪ খক তুরগা রন ২১৯ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লবগী রন ২২০ গী টার্গেট লৈখিবা অদু কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী শান্নরোইশিংনা ওভর ২০ পুন্না শান্নরবা মতুং ৱিকেট ৯ তুরগা শুপ্নগী রন ১৬৪ লৌবা ঙমখিবদগী মখোয় দিল্লি দেয়র দেভিলসকী মখূত্তা রন ৫৫ দা মায়থিবা নংখি।

কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর খৃস লিন শুপ্নগী রন ৫ দা আওট ওইখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদু শুপ্নগী রন ৪৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা ৱিকেট ৪ তুখি। অতোপ্পা ওপনর সুনিল নরাইননা বোল ৯ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৬ লৌরমখি। টিম অদুগী কেপ্টেন অমসুং ৱিকেট কিপর ওইরিবা দিনেস কার্থিক শুপ্নগী রন ১৮ লৌরমখি।

৬শুবা বেটসমেন সুভমান গিলনা লৌরম্বা রন ৩৭ অমসুং ৭শুবা বেটসমেন এন্দ্রি রুজেলনা লৌরম্বা রন ৪৪ অদুদা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ২০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে। কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৬৪ খক লৌবা ঙমখিবদগী দিল্লি দেয়রদেভিলসনা মখোয়বু রন ৫৫ দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী সাংৱান অমসুং জারিন বেলগ্রেদ বোক্সিংগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখ্রে

*বেলগ্রেদ, এপ্রিল ২৮ঃ*

সর্ভিয়াগী কোনুং বেলগ্রেদতা পাঙথোকপা ৫৬শুবা বেলগ্রেদ ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সুমিত সাংৱান অমসুং নিখট জারিন ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।



কেজি ৯১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট সুমিত সাংৱাননা গ্রিসকী বোক্সর ভাগকন নানিটজানিয়ানগা লম্বা তৌনবদা অহুমশুবা রাউন্দদা ভাগকনগী টিম্না সরেন্দর তৌবদগী ফাইনেল য়ৌখিবনি।

মহাক্কা ফাইনেলদা ইক্কাদোরগী বোক্সর কাষ্টিলো টোরিসকা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মমাঙদা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্লগা কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা নিখত জারিননা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক সর্ভিয়াগী বোক্সর নিনা রাদোভানোভিসকা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ৩–০ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর জারিননা কেটেগোরি অসিগী ফাইনেলদা গ্রিসকী আইকাটেরিনি কোসোজির্ওগোপুলোগা লম্বা তৌনরগনি। চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৮ ফাইনেল চঙলি। অতোপ্পা ৫ অমদি সেমি ফাইনেলদা লৈহৌবদগী ব্রোঞ্জ ফংখি।

## বার্সেলোনা ওপন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং গ্রিসকী স্টিফানোস সিটসিপাসকা থেংনরগনি

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৮ঃ*

মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোইশিংগী মনুংদা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী হোম গ্রাউন্দ বার্সেলোনাদা পাঙথোক্লিবা বার্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা গ্রিসকী শান্নরোই স্টিফানোস সিটসিপাসগা লম্বা তৌনরগনি।



*বার্সেলোনা ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ষ্টিফানোস অমদি রাফেল নদাল*

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা নম্বর ৱান রাফেল নদালনা বেলজিয়মগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা দেবিদ গোফিনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু য়াম্না লেঙ মান্নরা শান্নখি।

নদালনা গোফিনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬–৪ দা থোইদুনা অহানবা সেট অদু মহাক্না মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা সেটতদি নদালগী মগুন লৈরবা সোট কয়া অদুদা দেবিদ গোফিন মখূৎ হনবা ঙমদবদগী মহাক্কী সার্ভিসগেম অহুমক নদালনা ব্রেক তৌদুনা ৬–০ দা সেট অদু থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নদালনা ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবনি। গ্রিসকী শান্নরোই ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়াম্না ফজবা মওংদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ষ্টিফানোসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীমক ক্রক ক্রক ইন্নদুনা শান্নখি। সেট অদুগী ১০শুবা গেম লোইশিল্লকপা ফাওবা গেম ৫–৫ লৈনখি। ষ্টিফানোসনা বুষ্টাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মহাক্কী সার্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌদুনা ৭–৫ দা সেট অদু মায় পাক্লগা অনীশুবা সেটকীদমক শেম শান্নখি।

অনীশুবা সেট অদুদা গ্রিসকী শান্নরোই ষ্টিফানোস সিটসিপাসনা য়াম্না তাঞ্জা চাবা গেম অমদা পাব্লো কারেনো বুষ্টাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাকপদগী ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নগদৌরিবনি।

অতোপ্পা পাও অমদা জর্মনিগী ষ্টুটগার্ট সিটিদা চথরিবা পোর্সে টেন্নিস গ্রান্দ প্রিগী নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী কেরালিন গাসিয়াগা লম্বা তৌনবদা ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি ভান্দিৱেগিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু মায়থিবা পীরম্লগা য়ুএসএগী শান্নরোই কোকো ভানিদৱেগি সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ভান্দিৱেগিনা সাইমোনা হালেপকা শান্নবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা সেট অদুদা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইখি।


অনীশুবা সেটতদি সাইমোনা হালেপ য়ুএসএগী কোকো ভানিদৱেগিগী মশান্না অদুদা খূৎ হানবা খরা ৱাখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা ভান্দিৱেগিনা হালেপকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা য়ুএসএগী নিকোল মেলিচার অমদি জেক রিপব্লিক্কী বেটোস্লাভা পেস্কোভানা রুশিয়াগী ভেরোনিকা ইদ্বরদোভনা অমসুং বেলারসকী লিদজিয়া আলেকসান্দ্রাভনাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## জর্মনিগী বুন্দেসলীগাদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেনগী লা লীগাদা লেভান্টেনা সিভিলাবু থোইখ্রে

বর্লিন। মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৮ ঃ

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লিবা মরুওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা জর্মনিগী বুন্দেসলীগাদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্না এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। স্পেনগী লা লীগাদা লেভান্টেনা সিভিলাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে।




বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা শান্নখিবা বুন্দেসলাগাগী ৩২শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক অমনা অমসু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা শান্নরকখি। মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই নিক্লাস দোর্সনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু ১–০ দা মাঙজিল থারবা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল মাঙজিল থারবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা টিম অদুনা চথরকখিবা এটেক অমদা সান্দ্রো ৱেঙ্গরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিম অদুনা চথরকখিবা এটেক অমদা সেবাষ্টিয়েন হেল্লরনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা ইক্বেলাইজর ওইবা ঙমদনা লৈরিঙৈ বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা ৮৭শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা রাফিনহানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই নিক্লাস সুয়েলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বুন্দেসলীগাগী ৩২শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্না এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

বুন্দেসলীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপা ৩২শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা সাল্কে ০৪ অমসুং ৮শুবা পোজিসনদা লৈরিবা বোরুশিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাক পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

স্পেনদা চথরিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা পোইন্ট টেবলগী ১৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা লেভান্টেনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা সিভিলাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

লেভান্টে অমসুং সিভিলানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা লেভান্টেনা হেন্না বোল পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা লেভান্টেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই রোজরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সিভিলাবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা লেভান্টেগী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌবগী চাং হেঞ্জিল্লকখি। শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোই কার্লোস ফর্নান্দেজনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ২৯ লোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা অমনা অমগী মায়োক্তা এটেক তৌবগী চাং মান্নদুনা লৈখি। শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা লেভান্টেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জোস লুইস মোরেলিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সিভিলাবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু লেভান্টেনা সিভিলাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

## আর্চরি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

*সাংহাই, এপ্রিল ২৮ঃ*

চাইনাগী সিটি সাংহাইদা পাঙথোক্লিবা আর্চরি ৱার্ল্ড কপকী অহানবা ষ্টেজগী কম্পাউন্দ মিক্স পেয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী আর্চরি টিম্না চথরিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ব্রোঞ্জ মেডল অহুমগী খুদোংচাবা লৈবা অদুদা লম্বা তৌনখিবা তোঙান–তোঙানবা ইভেন্টশিংদা কম্পাউন্দ মিক্স পেয়রগী অভিসেক বর্ম অমসুং জোথি সুরেখা ভেনামনা টর্কিগী টিমগী আর্চর য়েসিন বোষ্টান অমসুং দেমির এলমাগাক্লিবু পোইন্ট ১৫৪–১৪৮ দা মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংহৌবনি।

ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী রিকর্ভ আর্চরশিং সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা মেডল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈখিদে। মরম অদুনা সাংহাই আর্চরি ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱানদা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংগী মায়কৈদগী কম্পাউন্দ মিক্স ব্রোঞ্জ অদু নত্তনা অতোপ্পা মেডল অমত্তা ফংখিদে।